ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯨꯟ ꯰꯶, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯷꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, জুন ০৬, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ০৭৩ শুবা মশীং

থক্লবা ঈশিং ফংহনবা

থা ৩ নোং চূরবদি ঈশিং পীবা লেপকদৌরিব্রা?

মতম অমদা মৈসিবু করম্বা মতমদা নুংঙাইরক্কদগে হায়না খন্নরম্বদু হৌজিক্তি পুৱারী ওইহৌরে। লম কয়াদা ফৎলমদবদি য়াই অদুবু মীয়ামনা হৌজিক মপূং ফানা মৈ ফংবগী নুংঙাইবসিমদি চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ওক্রম ইবোবীগী হোৎনজমলনি হায়বা য়াই। মহাক্কী মতমদা মীয়ামদা তঙাইফদবা ঈশিং ফংহন্নবা থৌশিল কয়ামরুমসু য়াৎলম্বগী মমিসু তাই। হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা নোংথোম্বম বিরেননা পব্লিক হেল্‌থ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট পায়রিঙৈদগী হৌনা ঈশিং ফংহন্নবা থৌশিল য়াৎপা হৌখ্রবনি হায়না লৌরবসু কায়দে। অয়েৎপা, অপনবা কয়াগী মরক্তা মপীথেল দাম শেমগৎতুনা ইম্ফাল অমসু গ্রেটর ইম্ফালদা খুন্দারিবা মীয়ামদা মথং চহী ২০ ফাওবগী থক্লবা ঈশিংগী অৱাবা লৈহন্দনবা হোৎনরম্মী হায়বসিসু চেনবা য়াররোইদবা খুদম কয়ামরুম লৈ। মথং চহী ফাওবগী মনুংদদি মপীথেল দামগী ঈশিং ইম্ফাল য়ৌরক্লগনি অমসুং ষ্টেট অসিগী মরু ওইবা মফম কয়ামরুমদা ঈশিংগী অৱাবা খরমখৈদি কোক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে। অদুবু লুরিবা ৱাফম অমদি চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা খুন্দারিবা মীচম-মীয়াম্না ঈশিংগীদমক অৱাবা কোঙ্গায় খাঙলিবশিং অসিদি মমাঙগী লৈঙাক্লসু চূনবা মখলগী থবক তৌরমদে হায়বা য়াই। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা মীয়ামদা ঈশিং পীননবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অমফাওবা লৈতে। উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা খুল খরখক ঈশিং পীবা ঙম্মী। সেনাপতি অমসুং চুড়াচান্দপুরগী মফম অয়াম্বদা ঈশিং পীবা ঙম্বগী মপূং ফাবা থৌশিল হৌজিকসু শেমগৎপা উদ্রি। অহল ওইরবী চীংমী নুপীশিং নৎত্রগা মশা-মউ ফবা খুলগী নুপাশিংনা কিলোমিটর ৫ হেন্না লাপ্পা মফমদগী মকোক্তা নৎত্রগা সমদা ঈশিং শোকপগী চৎনবী হৌজিকসু লৈরি। অসিগুম্বা মফমসিদা খুন্দারিবা মীয়ামগী হকশেলগী ফীভম করম তৌরমগদগে হায়বা ৱাহং থোরকই। লম্মাং-তুহাংদা অমাঙ-অশোই তৌশিন্দনবা সেন্ট্রল গভর্ণমেন্টনা য়াম্না কন্না থবক লৌখৎলি। সোমদনা খোঙহাম-খুৎহাম্বদা শিজিন্নবা ঈশিংদি লায়রদুনা থক্লবা ঈশিং ফাওবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরি। পুম্নমক অসি শুপচিন্না য়েংলবদা মণিপুরগী মীয়ামদা হৌজিক হৌজিকমক ঈশিং ফংদবগী অৱাবসি কোকহন্নবা লৈঙাক লৈত্রি হায়বা তাই।

মণিপুরগী কেপিটেল ওইরিবা ইম্ফাল ময়োলদা পীরিবা টোটি ঈশিং অসিসু লাইগী শোয়দনবা মওংদা পীবা ওইনা তৌই। ঈশিং পীবগী মওং অসিনা মরম ওইরদুনা মীয়াম্না ঈশিংগী টেক্স পীনিংদে। পৱার ফংহল্লিবা অসুম্না ঈশিং ফংহনবা তারবদি ঈশিংদসু টেক্স নিংথিনা খোমগৎপা ঙমগনি। মরু ওইনা গ্রেটর ইম্ফাল এরিয়াদা হৌজিকসু য়ুম-য়ুমদা ঈশিং পুশিনবগী অয়াবা পীদ্রি। পব্লিক হায়দেলদগী ঈশিং শোক্লবগী মওংদা চলাইরি। মসিনা ইমুং-মনুংদা খুদোংচাদবা থোকহনবতা নত্তনা তঙাইফদবা ঈশিং ফংহন্দবগী অৱাবা মায়োক্লরি। খুদম অমত্তং পনবা তারবদি পোরোম্পাৎ ৱাটর সপ্লাই স্কিম নৎত্রগা লৈকায়-লৈকায়দা লৈরিবা ৱাটর সপ্লাই স্কিমশিংনা মীয়ামদা ঈশিং পীরিবসি নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা নোংমখক ঈশিং পী। করিগুম্বা মৈ লাক্ত্রবা নৎত্রগা টেক্নিকেলগী ওইবা খুদোংচাদবা য়াওরগনা ঈশিং ফংহন্দে। ঈশিং পীরিবা অসিসু পুং অমা ফানা টোটি তাদে। তারিঙৈদা খজিক্তং য়াম্না ফংহৌনবা য়ুমথোঙ খুদিংগী তুলু শিজিন্নরগা ঈশিং চিংই। মসিদগী হেন্দোক্লদনা অমুক মৈ মুৎখ্রগদি কমদৌবা হায়দুনা ঈশিং চিংনবা তুলু শিজিন্নবগী মথক্তা জেনরেটর অমসু থমদবা য়াদবগী ফীভমদা লৈনরে। ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা হান্না কিলোমিটর অমা হেন্না ঈশিং পীবা ঙম্লম্বদু ময়াম চঙদুনা তুলু পানশিল্লগা ঈশিং চিংখিবদগী মিটর ১০০ গী মতুংদা ঈশিং তাদ্রে। অসুম্না লৈঙাক্কী রেকোর্দতদি টোটি ঈশিং ফংহল্লবা মফমনি হায়না মার্ক তৌরগা থন্মী অদুবু প্রেক্টিকেল ওইনা য়েংলুরগনা মীয়ামদা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরি। লন্নাই মীওই কয়ানা লোকায়না লিংবা লন্নাই ৱাটর সপ্লাই স্কিমদগী ঈশিং টেঙ্কি লৈরগা মীয়াম্না শিজিন্নরি। পুম্নমক অসি মণিপুর লৈঙাক্না থোকহনবনি হায়দবা ঙম্লোই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মণিপুরদা ঈশিং পীনবা থৌশিল নিংথি-নুংঙাইনা পায়খৎত্রি হায়বসিসু য়াই। ঈশিং ফংহন্নবা হোৎনরি হায়বসু খঙই। খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইতবা অমা হায়বা তারগদি তুরেলগী ঈশিং হেক চাউখৎলকপগা ঈশিং থাদবসিনি। তুরেল ঈশিংবু চাউরবদি ৱাটর সপ্লাই স্কিমদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়ীশিং ময়ুমদা নুংঙাইনা পোত্থারে। নোং খরা চূরকপগা ঈশিং চাউগদৌরে হায়বসি মাঙজৌননা খঙবা ঙস্ফম থোকপদা ঈশিং চিংখৎনবা তুরেল খোংনুংদা থল্লিবা ৱাটর পম্পশিং চিংখৎনবগী থৌরাং তৌদবা লৈঙাক্কী থৌমীশিং অদুবু মীয়াম্না করম্না থৌগল্লোন উৎফম থোকপগে। থা অহুম চূপ্পা নোং চূদুনা লৈরবদি মীয়ামদা থা অহুম টোটি ঈশিং পীরোইদ্রা হায়বা ৱাহংসিগী পাউখুম লৈঙাক অসিনা মীয়ামদা পীফম থোকই।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

অমেরিকা অমসুং অৱাং কোরিয়াগী লাল

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

মালেমগী লৈবাক অসি মান্নবা ৱাখল অমগী মখাদা লৈঙাক চুম্না পাঙথোক্লসি হায়বা য়াদ্রবদি তোঙান্না নীংখা তম্নীংই হায়বা লাল্লগদ্রা, লাল্লোই। লৈবাক অসি মচিনঙৈদা জীব পুম্নমক্কী মপূ ওইরম্মী। মী খরনা লোইনা মপূ ওইনীংদুনা মপূ ওইরকখি। লো চৎনবী মানা শেমখি। মীনাই নাইথাংসু মানা শেমখি। অপীকপা, অচৌবা, অশেংবা, অমাংবা কাঙলুপ-ফুরুপনসু মখোয়সিনা পুথোক্লকখি। মসিগী ৱাখল অসিদি অমেরিকাগী খোংলোইনা ওইরি। মায়কৈ অমরোমদনা মীনাই নাইথাং লৈতবা, কাঙলুপ-ফুরুপ খাইদবা, মান্নবা ৱাখল্লোননা লমজিংদুনা অৱাং কোরিয়া লৈবাকসিনা থৌনা ফগৎলক্লি। অমেরিকানা নমথনবা হোৎনরি, লাল তৌগদৌরি। মালেমগী মনুংদা লৈবাক কয়াগা পূনশিল্লগা থেংনবা ঙম্বা খূৎলায়শিং থমজিল্লবদি মশাগী লোনা য়াহল্লি। অৱাং কোরিয়াদদি থম্বা য়াদে হায়না লোনা শেমজিল্লি। মান্নবা ৱাখল্লোন্দা লমজিংলিবা অৱাং কোরিয়ানদি থৌনাগা লোয়ননা মতু শোন্না থেংনরি। অমেরিকা মাগী কাঙবুনা নাপল য়াওবা নিংথৌ শক্তম লৌদুনা হেক হেক কায়হৌরি, লান্দারি। হৌজিক হৌজিক অমেরিকা অমসুং অৱাং কোরিয়া লাল তৌনগদৌরি। অমনা মীনাই নাইথাং পাম্বনি অমনা মান্নবা ৱাখল পাম্বনি। অনী অসি খেন্নরি।

মরম অসিনা ঐনা হায়জনীংবদি অৱাং কোরিয়ানা খূৎ হান্না থাবিরুগনু। অমেরিকানা হান্না খূৎ থারক্লগা লালগী খূৎ থানবা তৌবিয়ু। অমেরিকা লৈবাক্তি মান্নবা ৱাখল্লোন চেনবদি মী য়ামদে। অমেরিকাদি মীনাই নাইথাংগী লৈঙাকনি। কোরিয়াদি মান্নবা ৱাখল্লোন লৈবনিনা থৌনা ফনা শিবা কিবদনা লাইরমলেন কাগনি হায়না লৌজে। লাল পাম্বা অমেরিকা নরৈবাক্তা চৎখ্রো, নথৌ তাদ্রে।

ঐখোয় লাল পামদে, শান্তি পামই।

অদোমগী - মোংজম গম্ভীর খুমন
নম্বোল চীংমাং লাইতোঞ্জম

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫১

১। ‘লংদুম চাবী’ কৌবা ৱারীমচা অসিগী অইবা ফম্বাক লীলা ইবা অইবদু কনানো?
২। ‘খোঙ্গুলদা তারুরবী’ কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অসিগী অইবদুনা কনানো?
৩। ‘‘চীনবুংদা নুপীগী হক/নুপাগী খোয়দৌ য়ৌদে/খুন্নাইগী ৱায়েল থুংদে।’’ পরেংশিং অসি নহা অইবী অমগী ‘চীনবুংগী হক’ কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?
৪। পঞ্জাবী অইবা গুরদিয়ালগী নোভেলবু মণিপুরীদা ‘অরোইবা মৈরী’ হায়না হন্দোকপদু কনাননো?
৫। ‘ক্রিটিসিজমগী মীৎয়েংদা’ কৌবা নৈন-ৱারেংগী লাইরিক্কুগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহেগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

মেত্রিক পরিক্ষাগী ফল

হেক্তা হায়নীংলকই - ৪৪২

জিতেন নামৈরাকপম

বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা কন্দক্ট তৌবা হায় স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট ইগজামিনেসন ২০১৭ কী ফল লাউথোকখ্রে। ঙরাং নহান্তা হায়র সেকেন্দরি লিভিং সার্টিফিকেট ইগজামিনেসন ২০১৭ কী ফল লাউথোকখ্রবা মতুংদা সী বি এস ঈগী ফলগা চান্ন-চান্ননা লাউথোরকখিবনি। মায় পাকপা অমদি মায় পাকহৌদবা অনীগী হরাউ নুংঙাই অমদি নীংবা থুংদবগী পাউনি মীয়াম্না তানখিবসি। অৱাংবা থাক্তা পাস তৌরক্লগা নোকপা, খরা গ্রেদ হন্থরক্লবা নৎত্রগা ফেল ওইহৌবা কাঙবুনা কপ্পা অনীসিনা ঙায়দুনা লৈরম্লবা পুন্সিগী লুখ্রবা তাঞ্জানি। মেত্রিক পরিক্ষা হায়রগা খঙনবা ক্লাস টেন লাম্থোক্লবগী চাংয়েং অমদি টেন প্লস টু নৎত্রগা মতম অমগী পি য়ু সী, আই ৩ হায়রগা খঙনরম্বা অনীসি মহৈরোয় অমগী পুন্সিদা অসুক্কী মতিক মরু ওইখ্রে। হায়রিবা চাংয়েং অনীসি লাম্থোক্লগা মহৈরোয়দুনা চৎকদবা মায়কৈ লেপকদবা খ্বাইদগী লুখ্রবা টর্নিং পোইন্ট অমনি। মী শিদবদা, করেম-কথাইনবদা মেত্রিক লান্দবা, মেত্রিক্তা ওমর ওইবা, মেত্রিক ফেল হায়দনা ঙাঙবিবা য়াওই। মদুমক্তি মীওইবগী পুন্সিদা খ্বাইদগী থৱায় নুংঙাইতবা, য়াম্না চাউনা নীংবা কায়বা ৱাঙাং ৱাতানি। মেত্রিক পাস তৌনীংদবা মীবু কনা লৈবগে? লাইরিক খূৎতম্বী অমা শোয়রবরা, মানা অহিং তূমদনা পারিবদুগা হংলক্লিবা ৱাহংগা চানদ্রবজাৎলা নৎত্রগা গাইদ তৌবিনবা লৈতবদগী শেরান তুরান ইশিল্লুরবজাৎলা? অসুম্না খল্লগা নীংবা থুংখিদবা মেত্রিক লানবা ঙমখিদবশিং থেংনখিদবা নত্তে।

ঙসিদগী চহী ৩০/৪০ গী মমাঙগী লাইরিক খূৎতম্বীগা হৌজিক্কীগা অদুক্কী মতিক খেন্নবা লৈরে। মতমদুগী লাইরিক তম্বগী মওংনা স্কুলদা ওজাশিংনা তাকপীবশিংদু ফানবা হোৎনবা, অঙ্ক হৈনবা হোৎনবা, ট্যুসনগী কলচর লৈরমদনা অখঙবশিং কাউদনবা হঞ্জিন হঞ্জিন ফানবা হোৎনবদুনি। ক্বেসন পেটর্নসু ইতিং তিংই। মল্টিপল চোইস খক্তদা ৱান মার্ককী ওইনা ২০ গী মথক্তা হংলম্মী। এসে টাইপ্তা মার্ক ১৫ পীবা হংলম্মী। ইতিং তিংবা ৱাহং হংলগা ইতিং তিংবা পাউখুমদা ইনরম্মী। মতমদুদা মেত্রিক পরিক্ষা হায়দোরকপদা পাস তৌখিবগী মহাউদুদি করি অমুক হায়রুগনি। মদুমুক নুংঙাইবা লৈতে হায়বা য়াই। অমরোমদা হায়রগদি হৌজিক্কী লাইরিক খূৎতম্বীসিনা মওং অমদা লৈরে। কম্পিটিসন তৌনবগী চাং য়াম্না হেনগৎহল্লে। ক্বালিটি এদ্যুকেসনগী পান্দমদা মহৈ তম্বীবগী চৎন-কাঙলোন হোংদোরকপা মতুং ইন্না অঙাংশিং লাইরিক পাবগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লে। ট্যুসন কলচরগী ফত্তবা হৈনবীনা চুশিন্নদুনা লৈখ্রে হায়নবা লৈরগসু স্কুলদা মমুৎ তানা খঙবা ঙম্লক্তবদু ট্যুটরগী মনাক্তা চৎলগা মপূং ফানা খঙহনবা, হৈহনবগী চাং হেনগৎলক্লি। ঐখোয়গী মতমদা খঙলমদবা ক্বেসন সেট্রিংগী মওং, ব্লু প্রিন্টতা য়াওরিবা চেপ্টর নম্বর কয়াদা মার্ক কয়া হংলক্কনি, ভেরি শোর্ট অন্সর, শোর্ট অন্সর, ওবজেক্টিভ টাইপ কয়া য়াওরক্কনি, এসে টাইপ্তা মার্ক কয়া লাক্কনি, অন্দরষ্টেন্দিং, নোলেজ, এপ্লিকেসন নৎত্রগা স্কিলদা কয়া লাকপা হায়বসি হৌজিক্কী মহৈরোয়শিংদি লোয়না খঙবা ঙম্লে। সবজেক্ট অমগী ক্বেসন শেম্নবা ‘ব্লু প্রিন্ট’ হায়রগা খঙনরিবসি য়ূম অমা শাদ্রিঙৈদা শাগদৌরিবা য়ূমগী মওং মতৌ উৎপা, থোঙজাউ কয়া পানগনি, থোঙনাউ কয়া পানগনি, করোমদা দ্রেন পীগনি, সনসেট বেলকোনিগী মওং মতৌ, ফ্লোরগী মতৌ কমদৌবা, মোজাইক, মার্বল থাবা, লৈগদৌরিবা কা মশীং অমত্তা শোয়বা য়াবা নত্তে। অসুম্না শেম্লক্কদৌরিবা ক্বেসনগী মওং মতৌ হান্না মাঙজৌননা খঙহল্লবনি মহৈরোয়শিংদসু য়াম্না খুদোংচাবা ফংলে। লাইরিক পারিবনি হায়দুনা শুপ্নতগী মার্ক ৫ খক্তংগী ক্বেসন হংলক্কদৌরিবা চেপ্টরদুদা মতম য়াম্না মাঙহন্দুনা ফুল লেবর থাদদুনা লাইরিক পারুবগী কান্নবা লৈতে। মার্ক ১৫ হংলক্কদৌবা চেপ্তরদনা হেন্না কূপ্না নৈনবগী কান্নবা লৈগনি খল্লি।

হন্দক্কী ঐচ এস এল সী পরিক্ষা মণিপুর পূম্বগী ওইনা চাদা ৬৬.৭০ পাস তৌখ্রে। য়াম্না নুংঙাইবা পাউনি। মহৈরোয়শিং পাস তৌবগী চাং হেনগৎলকপনি। ঐখোয়গী মতমদুদদি মেত্রিক পরিক্ষাদা শুপ্নতগী চাদা ২৩ খরা হেন্না পাস তৌখিবনি। মসিগী মনুংদা ফার্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থার্দ পোজিসন হোলদরশিং প্রাইভেট স্কুলনা লৌখ্রে। লৈঙাক্কী স্কুল অমত্তনা পোজিসন হোল্ডর ২৫ গী মনুং চনবা ঙমখিদে। মতম অমদদি প্রাইভেট স্কুল করিনো হায়বা ঐখোয় খঙলমদে। লৈঙাক্কী স্কুলমক্তনি মকোক মথং তানা কূক-কূক ইন্ননা চৎখিবদু। অদুবু হৌজিক্তি চেঙগুমগুম শৌগৎলক্লিবা প্রাইভেট স্কুলশিংনা লৈঙাক্কী স্কুলশিং নমথদুনা থমখ্রে। লৈঙাক্কী স্কুলশিংনা শিথরকপগী মরম তেনখ্রবা কলম অসিদা নৈনবগী তাঞ্জা ফংলরোই তৌবতবু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী ফম্নাইবশিং, ওজাশিং অমদি মীয়ামগী সপোর্টকা লোয়ননা শিংনবা অমা য়াওনা হোৎনদ্রগদি প্রাইভেট স্কুলশিংগা লম্বা তৌবা ঙম্বগী ৱা লৈতে। ওজাখক্তা পংচৈ চৈবীরগা কান্নবা ফংগনি থাজদে। ওজাশিংসু তলব শোইদ্রগা লোইরে খনবীদনা থৱায় য়াওনা ইশামক্কী ইচা ইশুনি শোয়হনবা য়াবা নত্তে খনবীদুনা মিংচৎ উরোং খিন্নবা হোৎনবীয়ু। নৎত্রগদি মেত্রিক পরিক্ষা হায়দোরকপা খুদিংগী টুয়েল্বকী ফল লাউথোরকপা খুদিংগী মীৱা মৈশা তাবগী ফীভমদা লৈখিগনি।

অমরোমদসু অমুক লৈঙাক্কী স্কুলদা তল্লিবা অঙাংশিং অয়াম্বনা কনা কনানো থিদোকপা চঙলি। অদোমসু অমুক্তা থিজিনবীয়ু ওজা খক্তদা তায়নবসু চুল্লোই হায়নীংই। মদুদি মহৈ তমগদৌরিবা অয়াম্বসি লৈত-লায়রগী পোৎলুম্না নল্লবা ইমুং মনুংগী অঙাংশিং অয়াম্বনা ওইরমগনি। লাইরিক, বোয়, কলম, পেন্সিন লৈবা ঙমজদবফাও য়াওরি। অদুগীসু মথক্তা ফিরোল অনীশুনা শেৎপা ফংজদবা অঙাংশিং য়াওরম্মী। ওজাশিংনা মহৈরোয় অমত্তা তমদ্রবদি স্কুলসি মুৎখিবা তারে খনবদগী পাখৎতুনা লেম্না মিং চনবীবা, লাইরিক, বোয়, কলমনচিংবা মহৈ তম্বদা চঙবা মচাকশিং লৈবীদুনা স্কুল কারক্লবা ময়ূমদা চৎতুনা পুরকপা অঙাংসু লৈরি। স্কুলসি নোংমখক কারকলম্লগা থা মখায়রোমদা লেপখিবা, হোম টাস্ক পীখ্রে শুকতৌ তৌরক্তবা, মিদ-দে-মিলগী চেঙ য়েল্লমদাইদদি বোরা পায়দুনা লাকপসু য়াওদবা নত্তে। করি অমুক হায়রুগনি লৈঙাক্কী স্কুল ২/৩ দা মিং চনশিল্লগা স্কুলদি শুংকা কাদনা মিদ-দে-মিলগী চেঙ চাং নাইনা লৌবা মহৈরোয় লৈরি। অসিগুম্বা স্কুলদগী নম্ফুদা থাগৎলগা মেত্রিক থাহল্লুবা স্কুল কয়া দষা তারে। চহী খুদিংগী রিজল্টতা নিল-নিল ঙাক্তা চৎমনবদগী ‘নিলচন্দ্র’ কৌবা স্কুলফাও য়াওখৎলক্লে। মসিবু লৈঙাক্কী স্কুলগী ওজাখক্তংগী মরালনি করম হায়গনি। প্রাইভেট স্কুলশিংদা মচা মশু থাবদা চেকশিল্লিবা, ট্যুসন্না য়োমদুনা থল্লিবা অসিগুম লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মচা মশুশিং থাবদা চেকশিনবীরগদি স্কুল মখল অনীমক কম্পিটিসন তৌনবদা শোথরোই খল্লি।

পরিক্ষা হায়দোরকপগী পাউ নুংঙাইবা অমসুং নুংঙাইতবা মরক্তা ৱানা লৈতা-লায়রা মায়োক্লদুনা মহৈরোয়শিংনা মীকোক থোংলকপদা হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোক্লখিবা, শেলগী মতেং পাঙনখিবা, তুংদা মতিক চাবা মীওই অমমম ওইনবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাঙগনি লাউথোকখিবশিংগী ৱা তারুরগা থাগৎনীংঙাইনি। অমরোমদসু মেত্রিক্তা টোপ্পর ওইখিবখক্তনা তুংদা মতিক চাবা মীওই অমা শোয়দনা ওইরগনি হায়বগী গেরেন্টি পীবসু ঙমদে। হোৎনগদবা য়াম্না ৱাৎলি। তুংগী আশাদা হৌরক্লিবা নহাশিংনা মীরক তিনবা ঙম্লবা মতুংদা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা কৎথোকপগা লোয়ননা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙম্বা ওইহন্নীংই। হৌজিক্কী মায় পাক্লবা তুংগী অচঙবা মী অমমম ওইনবা হোৎনরিবশিংনা মীথোই মীহেনবা ঙম্লবা মতুংদা করপসন তৌহনগুমসি হায়রম্লগা করপসন মপী ওইরক্তনবা পাউজেল অসি পীজরি।

মালেমদা ঈং-তপ্পা অমদি নুংশিনবা পুরক্লবা মিৎয়েং - ৫

ৱাখল ইহুল

আচার্য্য সোরাম ইবোহল

ফজবা হায়বদি ফজবা হায়বদুনি। অউবতনা হেন্না খঙগনি। পাউদল্লিবা অমনা ফজববু শিংথাবা/শৈথাবা মতমদা অসুম্না অমুক হায়বা য়াই ‘ওস্থোক্না ফজখ্রে, করম হায়না হায়গদবনো খঙদে, মিৎমক্না হেক উদ্রিবমখৈদি খঙলরোই’। ফজবসি মখল অহুম থোক্না খায়দোকপা য়াগদ্রা হায়জনীংই। অহানবা - মহৌশাগী ফজবা, অনীশুবা - খূৎশেমগী ফজবা, অহুমশুবা - অহানবা অমসুং অনীশুবা য়ানশিন্নরগা ওইবা ফজবা/মহৌশাগী ওইবা মওংদা মীগী খূৎ চঙদনা হৌবা/লৈবদু খুদিংমক মহৌশাগী ফজবনি। লমহাং-তুহাংদা পাক্তক্লনা হৌবসু ফজবদি ফজৈ মীওইবগা খরা তাম্নবনা চপ মান্ননা ফজবদু চাং খজিক্তং ৱাৎপগুম্না লৌনদবসু নত্তে। অশুকপা চীংনুংগী লোকচপ্তা লৈবা ঈশিং চাইথবী, অঙম্বা চীংগী চীংদোল, সমুদ্রগী ইরোন্নুংদা হৌরিবা নাপী মখল মখল, থরোই, কোংগ্রেস অতৈ অহিংবা থৱায় পানবশিং মশা মশাগী ওইবা ফজবা অদুম লৈজে।

মীওইবা য়াওনা শা-ঙা অতৈ কয়াগীসু তোপ তোপ্পা মওংদা ফজবা অদুম লৈজে। মহৌশাগী ওইজরবসু লোয়নমক হেক্তা ফজবা হায়বদুদি নত্তে। তাইবঙ মীওইবগা থাদোক্লবা য়াদ্রবা অকোয়বগী ফীভমশিংবু ঙাক্তুনা থম্বা হায়বসি ফজবা, অফবা হায়বদুনি। মসিনা মীওইবা অমদি মহৌশা হায়বদি লাইগা নকশিন্নবা নুংশিনবা হায়বদুনি।

খূৎশেমগী ফজবা হায়বসিসু ফজবা, অফবা মরমনি হায়দবদি য়াদে। মহৌশাগী ফজবা পোৎলম কয়াবু খোমগৎলগা/পুনশিল্লগা মফম অমদা থম্বদুবুনা খূৎশেমগী ফজবা হায়বদু ওইহল্লি। খুদম, ফজবা মী (মরুওইনা নুপী) ফুরা-দলাল মহৌশাগী চীং, পাৎ-তুরেলগী মওংদা শেমগৎপা য়ারবদি মদু খূৎশেমগী ফজবনি। পোকপদা শোয়নাইরকপা, চিনবান প্লাষ্টিক সর্জরি তৌরগা ফজহনবা খূৎশেমগী ফজবনি। অসুম্না য়া চাওরাক্লা (য়া চৌনা তোংথোক্লা লৈবদু চিনবান্না খুম্বা ঙমদবা) শেমদোক্লগা ফজহনবা খূৎশেমগী ফজহনবনি। মীনুংশিগী শরুক খরনি। ‘মসিমতংগা তৌরম্লবদি ওস্থোক্লা ফজখ্রনিদা’ হায়বা ৱাহৈসি খূৎশেমগী ফজবদদি তোয়না হায়নৈ।

মহৌশাগী ফজবদা খূৎশেমগী ওইবা থৌওং য়াওশিনবনা ফজবগী চাং হেনগৎহল্লি। হেন্না অফবনি। মহৌশাগী ফজবদুদা খুদোংথিনবা/খুরৌ থাংবা মরম খরা লৈরম্বদু খূৎশেম্না শেমদোক্লগা ফজবদু য়োকখৎলবদি হেন্না ফজবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। মীনা চঙবা ঙম্লমদবা মফমদু য়ৌনবা অফবা লম্বী থোং শেমগৎলবদি ফজবদুবু য়েংনীংবা, শিংথানিংবা, মীগী মশীং হেনগৎলক্কনি। লাইগী খূৎশেম্বু হেন্না হেন্না শৈথাজনীংবা মীগী মশীং হেনগৎতুনা অফবা ফজববু ওইরকপসিনি।

ফজবা/অফববু ঙাক্লা থম্বদা থাদোক্কদবা মরুওইবা লিচৎ খরদি - নাপল, কল্লক-মিহৌবা, থাগৎনীংদবা, মশাগীতা ওইনীংবদগী মাঙহন্নীংবা, মিৎকানবা/খমন চাওবদগী য়েক্না-শরৌ লাং ওইরকপা অসিনচিংবা।

নাপল - চুম ফিরাল চাবা, মরম অমদা থোইদোক হেন্দোকপা ফজবা ওইবা মীওইবনা (নুপা/নুপী) অহানবদা মহাক্না মহেল্লে হায়বা মশাগী ওইজবা ইহুল/ইথিল (ইগো) অমা হেক ফাওজরকপদুবু মীদুগী নাপলনি হায়গনি। মসিনা থাক ৱাংখৎলক্লবদি মশা মাঙহঞ্জনবগী মরম ওইরকপগা লোয়ননা য়েক্লবা মশীং হেনগৎহল্লকই। খুদম, হৌজিক মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তগী চাওখৎপগী মতোল লোম্বশিং মখোয় মঙাইরে হায়না খনবদগী মখোয়গী য়েক্লবা মশীং হেনগৎলকই, হায়বদি নুংশিনবা ৱাৎলি হায়বগী মরমদি লৈপাক্তুগী লুচিংবদুগী লৈঙাক্কী থৌশিলদা ফোংনা শীংনরকপা কয়া য়াওরিবসিনি। লাইনীং লাইশোনগীদনা অতৈদগী হেন্না ফৈ হায়না খনবসি নাপলগী শরুক খরা য়াওই হায়না লৌগনি। অদুনা য়েক্লবা/নুংশিনদবা হেনগৎহল্লি। মসি তৌরোইদবনি।

কল্লক-মিহৌবা ঃ- লমগী ষণনা মচি শাংবোই নীংবদগী মশাগী ওইবা মপোৎ মচৈ, মরল মথুম হুলাল্লগা মীরমগীদা হেন্না পূক্নিং চঙবা/খুদম, মশা মশাগী লাইনীং লিচৎ মীরাইরগা মীরম লাইনীং লিচৎ খঙদনা পামলুবা/মসিনা মীগা মীগগী মরক্তা নুংশিবা ৱাৎহল্লি।

থাগৎনীংদবা - অফবা থবক তৌবা/ফজববু ফৈ হায়নীংদবা, তুমিন্না লৈশিনবা/লাইনা মীওইবগীদমক শেম্বী শাবিরিবা/পীবিরিবা ফজবা/অফবা মরম কয়াগীদমক লাইবু থাগৎনীংদবা। খুদম :- মালেমগী খুন্নাইদা ময়াই কাবা পোৎলমশিংনা মীওইবা খুন্নাই মাঙহন্নবা হোৎনরক্লিবা থৌওংশিং থিংনবা হোৎনবদা ৱানা নৎত্রগা অকনবা এক্সন লৌখৎপা লূপশিংবু ফোঙনা মতেং পাঙদুনা পূক্নিং থৌগৎনিঙাই ওইবা থাগৎ ৱাহৈ হায়জনীংদবা/নাকল অনীগী মীশিংগী মরক্তা নুংশিনহন্দবা থৌওং ওইহল্লকপা।

মশাগী ওইনীংবদগী মাঙহন্নীংবা-ফজবা/অফবা পামদবা/ওইনীংদবা তাইবঙ মীওইবা লৈরম্মোই। মীওইবগী ৱাখলদি য়ারবদি মশা মতোমতগী ওইনীংবনি। ফংবা/ওইবা য়াররোই খল্লকপদগী অতোপ্পবুসু ফংহন্নীংদবদগী ফজৈ/খঙবা পোৎতু মাঙহনবদগী মীগা মীগগী মরক্তা নুংশিনবা লৈহন্দবসিনি।

মিৎকাবা/খমন চাওবদগী য়েক্না-শরৌলাং ওইরকপা - ফংবা ঙম্নি/য়ানি খন্থদনা হেন্না পামশিল্লুবদগী, অতোপ্পা মী চঙহন্নীংদবদগী লম কনশিন্নবা হোৎনরুবদা মঙোন্দগী হেন্না মতিক চাবা অতোপ্পা চঙশিল্লকপদা অহানবদা য়েক্লবা ওইরক্লবা মতুংদা, খুদুম চননীংবদগী মখোয় মশেলগী মরক্তা অমনা অমবু মাঙহন্নবা মওংদা লাং হায়বদি ফত্তবা পাম্বৈ শীজিন্নরকপদু অফবা ওইদে। নুংশিনবা ওইহন্দে। হায়রিবসি, শাদদি অমোম মিৎকানবদগী চিক্লবা/ৱাইনবা তোয়না থোকই।

ফজবা/অফবা মওং মওংদুগী মতুংইন্না মীওইশিংগী মরক্তা নুংশিনরোইদৌবা থৌওংশিং ওইরবদি থাদোক্কদবনি। ফজবা/অফবগী মতিক ময়াই খঙনা ফজববু য়োকখৎতুনা মালেমদা ঈং তপ্পা অমদি নুংশিননবগী লম্বী য়াৎকদবনি।

অচুম্বা/ফৈ হায়না খনবদু ময়াম্না য়ানবা ঃ ফজবা/অফববু ঙাক্লা থম্নবা মীয়াম্না য়ানবদু অচুম্বনি। অচুম্বা হায়বদি লান্দবা হায়বনি। খুদম, হৈকোল-লৈকোলদা পানবা-শাৎপা ফজবা পোৎলম মখৈ ঙাকশেন্দুনা থম্বা হায়বসি অচুম্বা/মীয়াম্না য়ানবা থৌওংনি। থৌওংসি ইন্দবা মীওই য়াওরকপদগী হেক্তৎপিগনু/থদৎপীগনু/শোকপীগনু/পায়বিগনু হায়না ইরগা থল্লিবসি ফজবা/অফবদুবু ঙাক্তুনা থম্নিংবদগীনি। ইরগা থেৎনা থেৎনা লোন্না/থওই উশিৎতবদগী তৌবসু ময়াওই। তৌরিবদু চুমদবনি/অরানবনি/থেৎলিবদুনা অচুম্বা/অফবনি/তোয়শিল্লক্লবদি তৌহন্নীংদবা তৌরিবা অনীগী মরক্তা নুংশিনদবা হায়বদু ওইরকই। অফবা মরী মাঙলকই/তৌহন্নীংদে।

ফজবা অমদি অচুম্বা হায়বা অনীসিদি লাই নৎত্রগা মহৌশা হায়বদুদা য়াওবা কনা’মতগী ইথিল চঙদবা পোৎশকশিংনি হায়না লৌবা য়াই। খুদম :- ফজবা মচু/নুংশিবা লৈনম্না খোইহি থিজবা নৎত্রগা পামজবা থৱায় পানবশিংগী মপূক্নিং চিংশিনবা হায়বসি হৌনশানি। মহৌশানা পীরকপা খুদোল-অনীগী নুংশিনবা-ফজববু ঙাক্লা থম্নবগী অচুম্বা/ময়াম্না ফৈ হায়না খঙনবা কাঙলোননি। ফজবগী মতিক ময়াই ওইরিবা ফজবা মচু অমদি নুংশিবা, খোইথুল্লবা খোইহিগী মহাওদা শৈদাংদুনা অমদগী অমদা অসুম্না কোইপাই পাইদুনা অচুম্বা মওংদা হায়বদি লৈরাংগী লৈনাসু নেখায়দুনা নৎত্রগা চিকথৎতুনা মাঙহন্দনা তাউজিং মরু হুন্দুনা (পোলিনেসন) তৌহন্দুনা শিংঙেল মহৈ য়ালহনবা (মহৈ থারাক য়াল্লকপা) মসিবু মহৌশানা তাইবঙপানবদা লৈরিবা ঐখোয়দা পীবিবা অফবা খুদোলনি-নুংশিবনি-হায়রোইদ্রা? মালেমদা লৈরিবা মীওইবা খুদিংমক্না মসিবু চুমদে/ফত্তে/য়ানিংদে হায়গনি থাজদে।

অচুম্বা তৌবনা মালেমদা মীগা মীগগী মরক্তা নুংশি চান্নবা পুরকপা/ওইহনবা ঙমগনি। অদুনা মখাগীশিংসি তৌরোইদবনি/ঙাক্কদবনিঃ

তৌরোইদবা ঃ- ইশা ইশানা অচুম্বা ৱাখলনা ফত্তে খনবা থবক থৌরম মখৈ তৌরোইদবনি। মীনা তৌহন্নীংদবদু ঐঙোন্দা অতোপ্পনা তৌরকপদা মদু য়ানীংওই। মদু নম্ফুদা তৌশিল্লুবা মতমদা হান্না নুংশিনরম্লবসু নুংশিনরক্লোই। খুদম - য়ূমলোন্নবা অনীগী মনুংদা অমনা নম্ফুদা অতোপ্পগী লম য়াম্বা য়ামদবা শিমনা লানশিল্লগা লম লৌশিন্নবা হোৎনবা হায়বসি ফত্তবনা/চুমদবনা তৌরোইদবা থৌওংনি। মসি হৌজিক্তা মালেমগী য়ূমথংনবা লৈবাক খরদা থোক্লিবনি। মসিনা মরম ওইদুনা অনীগী মরক্তা উংখৎনবা থোক্তুনা লমদমদুদা ঈংতপ্পা অমদি নুংশিনবা লৈহন্দে।

পাম্নদবা ঃ পামদবা থৌওং/থবক হায়বসিদি নুপা নুপী, নহা অহল হায়বা লৈতে/খায়দে। মী অমনা অতোপ্পা অমবু হন্থনা য়েংবা হায়বসি পাম্নরম্মোই। খুদম, মালেমগী খুন্নাইদা নুপা ওইবশিংনা নুপী ওইবীশিংবু হন্থনা য়েংলগা নমথনবা হোৎনবা থৌওং-থৌশিল খুদিংমক নুপী কাঙবুশিংনা শুকয়া য়ানিংলোই অদুনা পাম্নদে। চুম্না ৱাখল খনবা ঙম্বা নুপা অয়াম্বনসু থৌওংসি পাম্নদে। নুপী য়াওদনা তাইবঙপানগী খুন্নাই মখা তানা লৈবা য়ারোইদবা নুপী ওইবিশিংবু হন্থনা নৎত্রগা চৎনবী নৈবিবা হায়বসি পাম্নদবনা তৌরোইদবনি।

হান্না লৈরম্বশিং মাঙহন্নবা হোৎনবা ঃ মালেমগী লৈবাকশিংগী অরিবা মতমদা লৈরম্বা, শেমগৎ শাগৎলম্বা য়ূমকৈ, লাইশঙ, ফুরা দলান, মীতম, ম্যুজিয়মদা চেকশিন্না থল্লম্বা পোৎশিং তুংদা লাকপদা মীরোলশিংনা নৎত্রগা মীরমদগী মরম অমা নৎত্রগা অমদগী লৈপাক্তুদা/লমদমদুদা নৌনা চঙশিল্লকপশিংনা হান্না লমদমদুদা লৈরম্বশিংদু নমথনবা নৎত্রগা হান্নগী হৌরক্লোনগী কাংখুল মুথৎনবা নৎত্রগা চমম্ন হন্নবা তৌবা থৌওং/থৌশিল খুদিংমক অচুম্বা নত্তে হায়না লৌগনি। তৌরিবা কাঙবুদদি অতম্নমা তৌগে খন্না তৌবনিনা মখোয়দদি অচুম চুমদগী ৱাফম থোইনা খল্লোই। মসিনা শোকহল্লবা কাঙবুশিংনদি অথিংবা পীবা ঙমদবদগী খয়াৎ চিক্তুনা খাংলমগনি। মসিনা কাঙবু অনীগী মরক্তা চাওনা নুংশিনদবা ওইহনগনি। য়াম্না শাংনা তুং কোয়না নুংশিনদনবগী মরম ওইহৌদুনা লৈগদবনা হান্না লৈরম্বশিং মাঙহন্দবনা হেন্না ফৈ। মাঙহনবগী মহুৎতা মখোয়গীসু নৌনা শেমগৎ শাগৎতুনা থল্লবদি নুংশিনদবগী চাং হন্থগনি। মালেমগী লম-লমগী পুৱারীশিংনা লেংদ্রবা খুদমনি।